**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-06-2026)**

**গোবিন্দাস (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ফমুং ৫০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসিবু মতমগা চুন্নবা ফমুং ২০০ লৈবা হোস্পিতাল অমা শেমগৎনবগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ঙসি হোস্পিতাল অসিদা চৎদুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবম অমসুং অতোপ্পা বিভাগ কয়াগী ওফিসিএলশিংসু লোয়নখি। মন্ত্রিনা য়েংশিনবা অদুদা নৌনা শেমগৎকদৌরিবা হোস্পিতাল অসিগী মথৌ তাবা বিল্ডিং অমদি অতোপ্পা হকশেলগী পোৎলমশিংগী মতাংদা ওফিসিএলশিংনা মন্ত্রিদা পাউদমখি। মন্ত্রিগী মায়কৈদগী হোস্পিতাল অসিবু হেন্না ফগৎহন্দুনা মীপুম খুদিংমক্তা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা নীংথিনা ফংহনগনি হায়বগী থাজবা থমখি। মসিগা লোয়ননা মন্ত্রিনা নৌনা হোস্পিতাল শেমগৎকদৌরিবা অসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী জিলা অমা, মেদিকেল কলেজ অমা হায়বা ৱাখল্লোন অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা পায়খৎকদবনি। মরম অদুনা, মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংনা থবক অসি পায়খৎপা মতমদা পুকচেল শেংনা অমদি মীয়ামগী খন্না কৎথোকপগা লোয়ননা মপুং ফানা পায়খৎপীনবা মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ১০ শুবা ইগজিকিটিব বোর্ডকী মীফম ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মনিপুরিগী সিনেমা চাউখৎনবা অমসুং আর্টিষ্ট অমদি ফিল্ম মেকরশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবসু খন্নখি। মীফম অদুনা বোর্ড অসিগী মেম্বর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা কে.ঐচ. কুলেশ্বর সিংহগী মফমদা অৱাবা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটকী তরেৎশুবা গভরনিং বোদিগী মীফম অমসু মহাক্কী সেক্রেটরিদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা টেলিভিজন এদুকেসন অমদি মগুন লৈবা ফিল্মশিং পুথোকবা হোৎনবদা চংবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা কুপা খন্নখি। ইন্সটিট্যুট অসিনা মনিপুরি ফিল্মশিং অমদি মেদিয়া সেক্তর খুমাং চাউশিলহন্নবা হোৎনবদা অমদি হৈথোই শিংথোইবা আর্টিষ্টশিং পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। সরকারনসু মনিপুরি ফিল্ম চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পীগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মহাক্কী সোসিএল মেদিয়াদা ফোংদোরক্লি।

**দিদিকে(এল)ঃ** দুরর্দশন কেন্দ্র ইম্ফালগী ওফিসিএল টিম অমনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

মীফম অদুনা রাজ্য সরকারগী মতেংগা লোয়ননা মনিপুরগী ইনাক খুল্লবা ফিশা লোনশাগী থবকশিং হেন্না মালেমদা শক তাকনবা পান্দমদা ব্যুতি পাজন্ট অমা পাঙথোকবগী মতাংদা খন্নখি।

**নোনে (এল)ঃ** জোইন্ট ত্রাইবস কাউন্সিল, মনিপুরনা জেলিয়াংরোংপুই এরিয়াদা ঙরাংদগী চত্থরকখিবা তোতেল ইমর্জেন্সী সটদাউন ঙসিদগী হন্দোকলে হায়না কাউন্সিল অসিনা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

**চান্দেল(এল)ঃ** নুমিৎ মঙানি চত্থগদবা স্বাস গাউন, সুরক্সিত জলভায়ু কেম্পেইন ঙসি চান্দেল জিলাদা হৌদোকখ্রে।

সোলিড ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট অমদি ইনভাইরোনমেন্টেল কঞ্জারভেসনগী

হীরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমদি খুল্লাকপশিংনা শরুক য়াখি।

**ৱাটর (এল)ঃ** মহাবলি ইনটেক্কী ত্রান্সফোমর শেমজিন শাজিনগদবা লৈবনা নিংথেম পুখ্রি ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লাননা ঈশিং পীরম্বা মফমশিং মতম খরগী ওইনা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়না পি.ঐচ.ই.দি. মনিপুরগী ৱাটর সপ্লাই মেন্টিনেস দিভিজন টুগী ইগজ্‌কিটিব ইঞ্জিনিয়ারনা খঙহল্লক্লি।

**নোং(এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট-ইম্ফালনা সেন্টরনা হায়রি-রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

**গেজেট (এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরে এন্দ প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেস্নারিনা রাজ্য সরকারনা ১৯৪৭ তগীফোংলকখিবা তোঙান তোঙানবা গেজেটশিংগী দিজিটাইজ তৌরবা কোপিশিং ওন লাইনদা মীয়ামনা য়েংবা য়ারগনি।

১৯৪৭ তগী ২০২০ ফাওবদা ফোংখিবা দিজিটাইজ তৌরবা গেজেট কোপিশিং ৱেব সাইট-ই-গেজেট দোট এম.এন.দোট জি.ও.ভি. দোট ইনদা ফংলগনি। ২০২১ দগী মমাং চহিগী জ্‌লাই ৩১ ফাওবদা ফোংখিবা গেজেটশিংগী দিজিটাইজ কোপি ৱেব সাইট-মনিপুর গভরমেন্ট প্রেস দোট এন.আই.সি. দোট ইনদা ফংলগনি।

বিভাগ অসিগী দিরেক্তর-এন.জি. রোবেননা থোকপা চেরোল অমদা হায়-গেজেট কোপি খরদি দাইরেক্তোরেট অসিনা ফংদবনা মরম ওইদুনা ৱেব সাইটতা থাগৎপা ঙমদ্রি। ফংদ্রিবা গেজেটশিং অসি থিননবা অমদি দিজিটাইজ তৌনবা দাইরেক্তোরেট অসিনা মরী লৈনবা বিভাগশিং অমদি কেন্দ্র সরকারদগী কোপিশিং লৌরনবা কন্না হোৎনরি।

মহাকা মখা তানা হায়-মরী লৈনবা গেজেটশিং থিবা ফংদ্রবসু বিভাগশিংনা মতম মতমগী থোকখিবা মরী লৈনবা নোটিফিকেসনশিংগী কোপিদি ফংই। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা দাইরেক্তোরেট অসিনা গেজেটশিং মীয়ামগী খুদোংচাননবা নৌনা শেমগৎনবা হোৎনরি। নৌনা শেমগৎলবা গেজেটশিংগী চেরোল অসিগী মথক থংবা শরুক্তা রি-কন্সত্রক্তেদ গেজেট হায়না থাগনি। নৌনা গেজেট শেমগৎকদৌরিবা অসিদা কনাগুম্বনা য়ানিংদবা নৎত্রগা মোত ফোংদোকিংবা লৈরবসু দাইরেক্তোরেট অসিদা থা অসিগী মরি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোল পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** নোংমাইজিং রিজার্ব ফোরেষ্টকী এরিয়াদা অয়াবা য়াওদনা চীং কাবা অমদি কেম্পনচিংবা থবকশিং চথবা য়ারোই হায়না রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগকী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা খঙহল্লক্লি।

দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-বিক্রম সুরেস নাদেনা থোরকপা চেরোল অমদা হায়-নোংমাইজিং রিজার্ব ফোরেষ্টকী এরিয়াদা মীওই খরনা আইন কায়না চংশিন্দুনা চীং কাবা অমদি কেম্পনচিংবা চথবগী থবক হেনগৎলক্লে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট এক্ট-১৯২৭ না পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং থুগায়বতা নত্তনা লমলক্কী শা-উচেকশিংগী পুন্সিদা শিংনবা অমদি অকোইবগী ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লি। মখা তানা মীয়ামনা হায়রিবা রিজার্ব ফোরেষ্ট অসিগী মনুংদা অয়াবা য়াওদনা চীং কাবা অমদি কেম্পনচিংবা পাঙথোকপীগনু হায়না আপিল তৌরক্লি।

**মিজোরামঃ** নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন.ই.সি) গী ৭৩ শুবা প্লিনারি মীফমগী মাংওইননা মিজোরামগী রাজ্যপাল-বিজয় কুমার সিংহনা রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানাব চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে।

মিজোরামগী লোক ভবদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফমদা রাজ্য অদুগী

তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মীফম অদুদা নীংথিনা পুখৎনবা খন্নখি। রাজ্যপালনা হায়-কেন্দ্রনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্য পুমমক চাউখৎহন্নবা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা থবক পায়খৎলি। মহাকা রাজ্য সরকারগী বিভাগ পুমমকা লাক্লিবা মীফম অসি মহে য়ানবা মীফম অমা ওইহন্নবা পুন্না হোৎনমীন্নবসু হায়খি।

এন.ই.সিগী প্লিনারি মীফম লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা শিল্লোংদা পাঙথোক্কনি।

**মিজোরামঃ** মিজোরামদা কেন্দ্রগী লৌউ-শিংউ মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবাক লৈহাও ফানবা অমদি তুং কোইনা চৎনগদবা লৌমীশিংগী লৌউ পথাপশিং য়োকখৎনবগী পান্দমদা খেত বচাউ অভিয়ান হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন অসি রাজ্যপাল-বিজয় কুমার সিংহনা লোক ভাবনদা হৌদোক্লদুনা হায়-মসিনা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌদুনা চান্নবা হারশিং শিজিন্নবা অমদি মহৌশাগী ওইবা লৌউ পথাপশিং শিজিন্নহন্নবা পান্দম থল্লি। রসায়নগী ওইবা হার অমদি তিল হিদাকশিং পাক্তকনা শিজিন্নবগী মতাংদা পল্লদুনা রাজ্যপালনা হায়-মসিনা মনা-মশিং থারিবা লৌফম অমদি মীওইবগী হকশেলদা চাউনা অকায়বা পীরি। প্রাইম মিনিস্তরস নেসনেল মীসনগী মখাদা চাং নাইনা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবা, মহৌশাগী ওইবা লৌউ-পথাপশিং চশ্থবীনবসু রাজ্যপালনা আপিল তৌখি।

**এৱার্ডঃ** নেসনেল পঞ্চায়ট এৱার্ড ২০২৫ য়েন্থোকপগী থৌরম হয়েং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোল্লগনি। মসিদা লৈবাক অসিগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা পঞ্চায়ট ৪২ দা মনাক অসি খুৎশিন্নগনি।

মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা দিন দয়াল উপধ্যায়  পঞ্চায়ট সতাত বিকাশ পুরস্কার কেটেগোরিদা গ্রাম পঞ্চায়ট ৩৪ অমসুং নানাজি দেসমুখ সরভোতম

পঞ্চায়ট সতাত বিকাশ পুরস্কার কেটেগোরিদা পঞ্চায়ট ৮ দা মনা পীগনি। থৌরমদুদা মনা ফংলবা পঞ্চায়টকী মকোকশিংনা মখোয়গী শিংথানিংঙাই ওইবা থৌওংশিং উৎকনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-শিক্ষানা মীওই অমবু মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা অমসুং শক্তি লৈরবা মীওই অমা ওইহন্দুনা সমাজতা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙম্মী।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ত্রাইবেল বিনিফিসরি স্কোলারসিপ স্কিমগী কান্নবা ফংলবা মহৈরোইশিংগা উন্নবদা শ্রীমতি মুরমুনা হায়-সমাজ অমা চাউখৎপা হায়বসি শেল থুমগী ফিভম ফগৎপা অমসুং মহৈ মশিংগী থাক ৱাংলবা মতমদা ঙমগনি।

রাস্ত্রপতিনা হায়-সরকারনা পায়খৎপা স্কোলারসিপ স্কিমশিংগী মতেংনা ত্রাইবেল মহৈরোইশিং অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তমদুনা খুদোংচাবা কয়া ফংবা ঙমলে।

**কোর্টঃ** হাই কোর্টকী চিফ জস্তিস মরি অমসুং সেনিয়র এদভোকেট অমা ঙসি সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

চাফ জস্তিস সুরিয়াকান্টনা মখোয় মঙাবু ৱাশক লৌখি। মখোয়শিং অদুদি-পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা হাই কোটকী চিফ জস্তিস- জস্তিস সিল নাগু, বোম্বে হাই কোর্টকী চিফ জস্তিস- জস্তিস শ্রী চন্দ্র সেখর, মধ্য প্রদেশ হাই কোর্টকী চিফ জস্তিস-জস্তিস সঞ্জিভ সচদেভা অমসুং জম্ম্ কাশ্মির অমদি লদাখ হাই কোর্টকী চিফ জস্তিস-জস্তিস অরুনপালি অমসুং সেনিয়র এদভোকেট ভেনকিতা সুব্রমনি মোহনানি।

**জিতেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা

হায়রি-ভারত অমসুং জর্মনিগী মরক্তা বৈগ্যানগী লমদা  হেন্না তেংবাং পীনবনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহনবা ঙম্লগনি।

লৈবাক অনিগী লুচিংবা অনিনা ন্যু দিল্লিদা ক্বান্টম কম্যুনিকেসন, ফোটোমিক্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হায়-মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা অহুমশুবা স্টার্টঅপ ইকো সিষ্টেম ভারতনা যুম্নু ওইবা ঙমলে। মসিনা ভারতকী টেকোলোজি, হকশেল, ৱাটর টেকোলোজি, আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স অমসুং স্পেস টেকোলোজিগী লমশিংদা মালেমগী লৈবাকশিংগা তেংবাং পীনবা হেনগৎলক্লি।

মহাকা হায়-ভারত অমসং জর্মনিগী মরক্তা সাইন্স, টেকোলোজি, ইনোভেসন অমসুং লৈবাক অনিগী মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী লৈনৈ। শ্রী জিতেন্দ্রনা হায়-মীফম অদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা রিছার্স, ইনোভেসন অমসুং উদ্যোগকী লমদা হেন্না চাউখৎহন্নবগী খুদোংচাবা পীরগনি।

**হায়ৰেঃ** নেসনেল হায়ৰেজ ফোর ইলেক্ট্রিক্ট ভেহিকলস (এন.ঐচ.ই.ভি) গী দাইরেক্তর-অভিজিৎ সিংহনা হায়রি-লৈবাক অসি হৌজিক ইলেক্ট্রিক্ট অমসুং ইলেক্ত্রোনিক্কী খুদোংচাবা লৈরবা হায়ৰেশিং শেমগৎলকপগা লোয়ননা হেন্না ফবা অমসুং তুং কোইবা চৎথোক চৎশিনগী পাম্বে লৈবা লৈবাক অমা ওইরক্লি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী সিংহনা হায়-লৈবাক অসিদা ইলেক্ট্রিক্ট মোবিলিতি ইকো সিষ্টেম মপঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনগী পাম্বে হেন্না লায়থোকহন্নবা, লম্বীদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা পান্দমদা সরকারনা থবক পায়খৎলি। মহাকা হায়-ইং ২০১৮-১৯ দগী হৌনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা এন.ঐচ.ই.ভিনা লৈবাক অসিগী ইলেক্ট্রিক্ট হায়ৰে মোদেল শেমগৎপগী থবক পায়খৎলক্লি।

**ইভিক্সনঃ** তামিল নাদু অমসুং কেরলমদা লৈবা অগস্থ্য মলাই ইকোলোজিকেল লেন্দস্কেপকী প্রোটেক্টেট এরিয়াশিংদা লম খোপচিল্লিবশিং তকথোকবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে।

মফম অসিদা লম খোপচিন্দুনা লৈরিবা মশক খঙদোক্লবা সরকারগী কর্ম্মচারি অমসুং থবক্তগী পোত্থরবা মীওই ১১৮ গী মথক্তসু আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন সেনিয়ার ৱান ডে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা-থাউ থাংমৈবন্দনা অল-অমিন লিলোংবু ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা-ই.এস.য়ু. ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দনা এল.সি.সি. লমশাংবু রন-২৫০ দা থোহখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** ১৩ শুবা টি টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টগী ঙসি লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.-লালম্বুংনা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালবু রন-১০৭ তা থোইখ্রে।

**সাই ঃ** স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া, নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর ইম্ফালনা নেসনেল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স ইম্ফালগী নুপীমচা অমসুং নুপামচাগী ফুটবোল শান্নরোইশিং খন্ননবা ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্কদৌরি।

নুপামচাগী ওইনা ট্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ৬ তগী ৯ ফাওবা অদুগা নুপীমচাশিংগী ওইনা থা অসিগী ১০ দগী ১৩ ফাওবা তাকয়েলপাৎতা লৈবা সাই-এন.ই.আর.সি. কেম্পস আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং ২০০৯ দগী ২০১৫ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি।